# সবরিমালা টেম্পল হাংদোক্কদৌবগী মাংওইননা অচৌবা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে, নুপীশিং চংহন্দনবা থৌরাং তৌখ্রে



***থিরুপনন্থপুরম, ওক্টোবর ১৫***

সবরিমালা টেম্পল মনূংদা নুপীশিং চংবা য়াহনবগী সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরগী ময়োক্তা কেরেলাগী কোনূং থিরুবনন্থপুরমদা ঙসি নুপীশিং অমদি অঙাংশিং য়াওনা লোর্দ অয়্য়াপ্পাবু নুংশিজবা লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

থাগী ওইবা লাইনীং–লায়শোনগীদমক য়ুমশকৈশ নুমিৎতা তেম্পল কমপ্লেক্স অসি হাংদোক্কদবগা লোয়নননা প্রোটেষ্টরশিংনা কমপ্লেক্স অদুগী মনূংদা নুপীশিং চংবা য়াহল্লোই হায়না ৱানীং তৌখ্রে। করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি চংফমশিংদা মখোয় হিপ্পুনা লৈগনি হায়খ্রে।

বি জে পি না লুচিংবা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ) গী ষ্টেট য়ুনিৎনা শিন্দুনা লাইনীংবীশিং অদুনা খোল্লাউশিং লাওখি, লোর্দ অয়াপ্পাগী শক্তমশিং পায়খি অমসুং বি জে পিগী ফিরালশিংসু পায়খি।

নবেম্বর ১৭ তগী হৌগদৌরিবা চহি–চহিগী পাংথোকপা লায় খুরুম্বগী থা অহুম শাংবা থৌরম অদুগী মাংওইননা থৌরাং তৌরিবশিং অদুগী খন্ননবা চীংদা লৈবা লায়শং অদুবু চল্লাইহরিবা ট্রাবাংকোর দেবস্বম বোর্দনা হেদ প্রিষ্ট, পন্দলাম রোয়েলস অমসুং অয়াপ্পা সেবা শঙ্গম য়াওনা হয়েং লৈপাকপোকপা নুমিৎতা পেত্রোনশিংগা উন্নগনি।

লায়শং অদু হাংদোকপগীদমক য়াল্লবা সেক্যুরিটি ফোর্স থমখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নুপী লাইনীংবীশিংগীদমক অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎত্রি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ষ্টেট য়ুনিৎশিং লোয়ননা হিন্দু গ্রূপশিংনা প্রোটেষ্ট কয়ামরুম চথখিবা অমসুং নাকল অমরোমদনা ওর্দর অদুবু থবক ওইনা পাংথোক্লনবা লেফটনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা কন্না হোৎনরকখিবা কয়া ষ্টেট অসিদা থোকখ্রে।


লায়শং অদুদা নুপীশিং চংবা থীংনবা কেরলা গভর্ণমেন্টনা ওর্দিনান্স অমা পুথোক্লবা কাংলূপ খরনা দিমান্দ তৌখ্রে। ষ্টেট গভর্ণন্টে অসিনা চীঙদোংগী লাইশঙ অদু মাঙ–তাকহনখিনবা লৌতুনৈ হায়না বি জেপিনা মরাল শিরি।

মথং পূং ২৪গী মনূংদা গভর্ণমেন্টনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রবদি হেন্না চাউবা খোঙজঙ অমা চংশিনগনি হায়না বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট পি এস শ্রি ধরন পিল্লাইনা ৱার্নীং তৌখ্রে।

সবরিমালা টেম্পল, মসিগী চহি চা কয়া লিরবা চৎনবীশিং অমসুং লোর্দ অয়াপ্পাবু নীংজবশিংগী ৱাখলগী অপান্বা অদু পাঙথোক্লবা মীয়ামগী অচৌবা খোংজং অমগী থৌরাং তৌনবা কেরেলাগী খূঞ্জা খুদিংমক ঐখোয়না উন্নগনি হায়না মীষ্টর পীল্লাইনা হায়খি।

মহৌশাদগী চৎনরকপা ওইনা থাগী খোঙকাপ লাকপগী চহী লীরবী নুপী পূন্নমক লায়শং অসিদা চংবা থীংই। অদুবু নুপীশিংবু লাই খুরুমজনবগী কনষ্টিট্যুসনেলগী হক অদু ফংহন্দবা য়ারোই হায়বা ৱায়েং পুখৎতুনা পেটিসন্নর খরনা লাইশঙ অদুগী কষ্টম অদু শিঙনরকখিবনি।

# মীখল নকশিল্লকখিবগা বি জে পি গী অমিৎ সাহ অমসুং কংগ্রেসকী রাহুল গান্ধী মধ্য প্রদেসতা লাক্তুনা ইলেক্সনগী কেম্পেইন তৌবা হৌখ্রে





***ভোপাল, ওক্টোবর ১৫***

মধ্য প্রদেসকী এসেম্বলি ইলেক্সন নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট সাহ অমসুং কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী ষ্টেট অসিদা পায়শিন্নরকখ্রে।

অমিৎ সাহনা ঙসি নুমিৎ য়ুঙবা মতূংদা সতনা টাউন্দা থুংলখি। মহাক্না টাউন অদুদা নুপীশিংগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি। অমরোমদা কংগ্রেসকী রাহুল গান্ধীসু দাতিয়াদা থুংখ্রে। মহাক্না হেক থুংলবগা পিতম্বর লায়রেম্বীদা খুরমখি অমসুং মফম অদুদা মীয়ামগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংখি।

দটিয়াদা লৈবা পিতম্বর পীথ টেম্পলদা লাই খুরুম্লবা তুংদা মহাক্না দাতিয়া অমসুং গ্বালিয়রদা মীয়ামগী মীফমশিংদা ৱা ঙাংগনি।

রাহুল গান্ধীনা দব্রাদা পাংথোকপা অতোপ্পা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা থবক ক্রোর অনী শেন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাশকখি অদুবু মদু মোদি গভর্ণমেন্টনা ঙাকপা ঙমখ্রবা নৎত্রগা শিবরাজ চৌহান গভর্ণমেন্টনা পাংথোকপা ঙমখিবরা হায়না হংখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ঐচ এ এল অসি পব্লিক সেক্টর য়ুনিৎ অমনি মসিনা মখল কয়াগী ফাইটর এয়ার ক্রাফ কয়া শারক্লি। অদুবু রাফেল দিল অদু ঐচ এ এল দগী হুরানখ্রে হায়খি।

মোদিজিনা 'বেতি বচাউ বেতি পরাউ' হায়বা খোল্লাউ লাওরি। ঐখোয়না খোল্লাউ অদু পান্মী। অদুবু বি জে পিগী এম এল এ অমনা কনাগুম্বা অমা রেপ তৌখ্রে। মদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাকপু কন্নবা হোৎনৈ। প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাকপু পার্টিদগী তাহোক্তে মদুগী মরমদা মহাক্না ৱা অমত্তা ঙাংদে। মরম অদুনা অশেঙবা খোল্লাও ওইগদবদি 'বেতি পরাউ ঔর বেতিকো বি জে পিকী এম এল এ সে বচাউ' ওইগদবনি হায়খি হায়না দতিয়াদা রাহুল গান্ধীনা ঙাংখিবা ৱা পল্লদুনা পাউ গী এজেনসিনা হায়খি।

নাকল অমরোমদা বি জে পি প্রসিদেন্টনা কমল শক্তি প্রোগ্রামগী মখাদা সতনা তাউন্দা নুপীশিংগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী তুংদা বি জে পি ৱাকরশিং উন্ননবা রেৱা তম্না চৎখিগনি। মহাক্না সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইব কাংবুশিং উন্ননবা থিন্দোরিদা চৎকনি মফম অদুদগী জবলপুর পাংখিগনি।

বি জে পি চিফ অসিনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মমাঙদা লৈরম্বা কংগ্রেসকী লূচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা ফন্দ পীবগী মতাংদা মধ্য প্রদেসকী ময়োক্তা মীচং–মীখায় নাইবগী থৌওং চথবগী মরাল শিখি।

হোশংগবাদ তা পার্টি ৱার্করশিংগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা ১৩ শুবা ফাইনান্স কমিসনগী মখাদা মধ্য প্রদেসতা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১.৩৪ থাদখি অদুবু ১৪ শুবা ফাইনান্স কমিসন এলোকেসনগী শরুক ওইনা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর লাক্ষ ৩.৪৪ থাদখি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা অতৈ স্কিমশিংদা থাদখিবা ফন্দশিং অদু থারগদি বোদি গভর্ণমেন্টতগী মধ্য প্রদেসনা ফংলিবসি লুপা ক্রোর লাক্ষ ৪.৫ নি হায়না অমিৎ সাহনা চাউথোক্লা হায়খি।

প্রাই মিনিষ্টর মোদিগী গভর্ণমেন্টনা পাংথোকখিবা থবক্কী মতাংদা ৱাহং হংবগী মহুত্তা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী ইমূংগী মীরোল মরীনা তৌখিবা থবক্কী একাউন্ট অমা পীনবা অমীৎ সাহনা গান্ধীদা খংহনখি।

মধ্য প্রদেসকী মীয়াম্না মঙোন্দা (গান্ধী) জৱাহরলাল নেহরু, ইন্দিরাগান্ধী, রাজিব গান্ধী অমসুং সোনিয়া গান্ধীনা তৌখিবা থবক য়াওনা মাগী ইমূং মনূংগী মীরোল মরীনা তৌখিবা থবক্কী একাউন্ট অমা পীনবা দিমান্দ তৌরিবনি হায়না অমিৎ সাহনা ফোঙদোকখি।

# রাফেল জেটশিং পাকিষ্টাননা ফংখিদবদা কংগ্রেসকী রাহুল গান্ধী নুংঙাইত্রেঃ রাজস্থান মিনিষ্টর



***আলৱার, ওক্টোবর ১৫***

ইন্দিয়াগী দিফেন্সকীদমক ফ্রান্সকী রাফেল ফাইটর জেট লৈনবগী তৌনখিবা দিল অদুগী ময়োক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণন্টেকী মথক্তা চৈরিবা ওপোজিসন লূচিংবশিংগী মনূংদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীসু মরু ওইবা অমা ওইনা য়াওরি। বি জে পি না লূচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মথক্তা ওপোজিসনগী অকনবা এটেকশিং চথরক্লিঙৈ অসিদা রাজস্থানগী মিনিষ্টর জসৱান্ট সিংহ যাদবনা হায়খ্রে, ইন্দিয়ানা ফাইটর জেটশিং অদু ফংখিবা অদুগা পকিষ্টান্না ফংদবা অদুদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী মথ্বাই নুংঙাইখিদ্রে। রাহুল গান্ধীনা মীওই খুদিমকপু ইকাইবা পীদুনা পাকিষ্টানবু পেলহন্নবা হোৎনরি হায়খ্রে।

রাজস্থানগী মীনিষ্টর অসিনা ইরাই নুমিৎতা আলৱারদা পাংথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা রাফেল দিল তৌনখ্রে হায়রিবা ফাইটর প্লেনশিং অসি য়াম্না ৱানা হোৎনরবা তুংদা ফংখিবনি। মসি পাকিষ্টান্না ফংবা ঙমখিদ্রে। প্রাই মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মসি ফংখিবা অদুগা পাকিস্থাননা ফংখিদবা রাহুল গান্ধীগী ৱাখল নুংঙাইখিদ্রে হায়খি।

মিষ্টর গান্ধীনা মী খুদিংমকপু ইকাইবা পীদুনা পকিষ্টানবু পেলহন্নবা হোৎনরি। হিন্দুশিংবু টেরোরিষ্টশিংনি হায়রি, অসিগুম্বা মীওই অমনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লবদি করি থোক্ললগনি হায়না মীনিষ্টর অসিনা হংখি।

কংগ্রেসকী লূচিংবা অসিনা হিন্দুশিংবু টেরোরিষ্টশিংনি হায়না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হায়রি। মসিনা পীরিবা ৱাহন্থোক অসি করিনো। করিগুম্বা মহাক্না পাকিষ্টানবু পেলহনবা পাল্লবসু ঐখোয়দা ওনশিনদুনা ইকাইবা পীরিবগী মরম করিনো হায়না মহাক্না অঙকপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগা ফ্রান্সকা অনীগী মরক্তা রাফেল দিল তৌনখিবা অদুদা ফ্রান্সকী দেসোল্ট এভিয়েসনগী ওফসেট পার্টনর ওইনা হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐচ এ এল) গী মহুতা ব্যুজিনেসমেন অনিল অম্বানীগী রিলায়েন্স দিফেন্স লিমিটেদ খনখিবা অদুগী মতাংদা সেন্টরগী মথক্তা কংগ্রেসনা কন্না চৈথরক্লিঙৈ চৈরক্তা রাজস্থানগী মিনিষ্টর জসৱান্ত সিংহ যাদবকী ৱারোল অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজস্থানদা হন্দক্তা চথখিবা মহাক্কী কেম্পেন্দা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু অম্বানি য়াওনা মহাক্কী মরুপশিংগী চৌকিদার ওইখ্রে, অদুগা লৈবাক অসিগীদি করিমতা ওইদ্রে হায়না মরাল শিখিবনি।

# মোদিগা জিনপিংগা অর্জেন্টিনাদা উন্নগনি

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৫***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অর্জেন্টিনাদা মথং থা নবেম্বরদা উন্নরগনি হায়না ইন্দিয়াদা চিনাগী এম্বেসেদর ওইরিবা অদুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী লূচিংবা অনী অসিনা জি ২০ সম্মিট শরুক য়ানবগী লাকপদা উন্নগদবনি হায়না অফগান দিপ্লোমেটশিংগীদমক পাংথোকপা অহানবা জোইন্ট ইন্দি–চিনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চিনাগী এম্বেসেদর লুও ঝাওহুইনা হায়খি।

চহি অসিগী জুলাই থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেদ্র মোদিনা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা লৈনরিবা মরুপ–মপাং ওইবগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা খন্ননবা জোহান্নেসবর্গতা প্রসিন্টেন্ট জি জিনপিংগা হান্নলা উন্নখ্রবনি।

মসিদসু নৎতনা লূচিংবা অনী অসিনা এপ্রিল থাদসু চিনাগী ৱাউহান সিটিদা নুমিৎ নীনীগী ইনফোর্মেল সম্মিট অমদা উন্নখি। মদুগী মথঙদা জুনদা চিনাগী কিংদাউদা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিটকী নাকনদা অমুকসু উন্নখ্রবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী মীগা –মীগা উন্নবগী কাংলোনগী অহানবা থৌরম হৌদোক্লবা দিসেম্বর থাদা চিনাগী ষ্টেট কাউন্সিলর অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি ইন্দিয়াদা লাক্কনি হায়রি।

# নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়ানা লম্বীশিং অমসুং রেলৱেশিং অমুক শমজিন্নবা য়ানখ্রে



***সিওল, ওক্টোবর ১৫***

কোরিয়া অনীনা য়ান্না থুনা মথংগী থাদা মখোয়গী রেলৱেশিং অমসুং লম্বীশিং অমুক হন্না শমজিহন্নবা ইতিহাসিক ওইরবা থৌরম অমা পাংথোক্লগনি হায়না য়ানখ্রে।

হৌখিবা থা খরদগী হৌনা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ান্না তোয়না উন্নদুনা ৱারী শান্নফম ওইরকখ্রবা ঙমখৈদা লৈবা দিমিলিতরাইজ জোনগী পানমুনজোম ট্রুস ভিলেজদা পাংথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা ৱাফম অদু য়ান্নখিবনি।

অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুদা থোকখিবা অপূনবা ৱারোল অদুদা সাউথ অমসুং নোর্থনা নবেম্বরগী অথেঙবা নৎত্রগা দিসেম্বরগী অঙনবদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ রেল অমসুং রোদ শন্নহন্নবগী অমসুং মোদর্ননাইজেসন তৌনবগীদমক ইটিহাসিক ওইরবা থৌরম অদু পাংথোক্লবা য়ানরে হায়খি।

য়ূমলোন্নবা কোরিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা মীচমশিং চৎথোক–চৎশিন তৌবা পূন্নমক কুমজা ১৯৫৩ গী কোরিয়া লাল লোয়খিবা মতূংদগী অথিংবা থল্লকখিবনি। শেমগৎ শাগৎপগী থবক অদু করম্বা মতমদগী হৌবা য়াই হায়বা শেঙনা খংদ্রি।

ওফিসিয়েলশিংনা ঙমখৈগী লমদমদা উংখৎন্নরিবদু হন্থহন্নবা অমসুং লালনা তোখাই তান্নহল্লকখ্রবা ইমূং মনূংশিং অমুক পূনশিহন্নবগী খন্ননবা রেদ ক্রোস মিটিঙ অমা থৌরাং তৌনবা য়ারীবা মখে থুনা মীলিটিরিগী ৱারী শান্নবা পাংথোক্লবসু য়াই।

মখোয়না ২০৩২ ওলেমপিক্স পূন্না য়ূমবু ওইনবগী থৌরাং অমসু অমসুং সিওলদা নোর্থ কোরিয়ান পারফোমরশিংগী শো অমগী মতাংদসু তোঙান্না খন্না–নৈনখি হায়না অপূনবা ৱারোল অদুনা হায়খি।

ঙসিগী ৱারী শান্নবা অসি, হৌখিবা থাদা পিওংয়াংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইন না নোর্থ কী কিম জোং উনগা উন্নখিবা মতূংদগী সাউথকী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর চো ম্যুং গ্যোন গা মাগা ফম মান্নবা নোর্থকী রি সোন গৱওন গা উন্নবা অনীরকসুবনি।

# তালিবান এতেক্তা শিখিবা পাকিষ্টান পোলিটিক্সিয়ানগী নুপীনা মাগী সিট ফংখ্রে



***ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১৫***

মীখলগী ভোট খোম্বা চৎপদা তালিবান সুইসাইদ এটেক অমদা শিখিবা পাকিষ্টানি পোলিটিসিয়ান অমগী লুখ্রা ওইহৌরবী নুপী অদুনা মহাক্কী মপুরোইবগী প্রোভিন্সিয়েল সিট অদু বাই–ইলেক্সনদা ফংখ্রে।

এন্টি–তালিবান অৱামী নেসনেল পার্টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা মহাক্কী মপুরোইবা হারুন বিলৌরনা জুলাই থাদা মীরেপ ওইনা লেপকদবা অৱাং নোংচুপ থংবা খাইবর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সতা প্রোভিন্সিয়েল এসেম্বলি সিট অদু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা সমার বিলৌরনা ফংখ্রে।

জুলাই ২৫ দা পাংথোক্কদবা মীখল অদুগী চয়োল কয়াগী মমাঙদা পেসাৱারদা তালিবান্না চথরকখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা অতৈ মীওই ১৯ গা লোয়ননা হরুন বিলুর শিখিবনি।

এটেক অদুনা সিট অদুগী ভোট য়ৈথোকখি থাদগদবা সেনিয়ার এ এন পি লিদর অমসু ওইরিবা মহাক্কী মপা বাসির বিলোরসু ২০১৩ দা পাংথোক্কদবা পাকিষ্টানগী ইলেক্সনগী মাংওইননা সুইসাইদ বোমীং অমদা শিখি।

প্রোভিন্সিয়েল এসেমব্লি মরী অমসুং নেসনেল এসেম্লি ১১ দা সিট ২৪ গী বাই ইলেক্সনশিং ঙরাং নুংঙাইজিং নুমিৎতা পাংথোকখিবনি।

লৈঙাক পায়রিবা পাকিষ্টান টেহরিক –ই–ইনসাফ (পি টি আই)না ভোট থাদনখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সিট ১১ গী মনূংদা ৪ ফংদুনা নেসনেল এসেমব্লিদা মখোয়গী লিক্লা মেজোরিটি ওইবদু অমুক ফংবা ঙমখি।


ঙরাং নোংমাইজিংগী ভোৎ মতূংদা সিট ৩৪২ লৈবা পর্লিয়ামেন্টতা পি টি আই অমসুং মসিগী কোলিসন পাটন্নরশিংনা সিট ১৭৪ ফংদুনা সুপ্নগী সিট ৩ গী মেজোরিটি ফংখিবনি।

অদুবু প্রাই মিনিষ্টর ইমরান খাননা মীখলদা মায় পাক্লবসু মহাক্লা থাদোক্লমখিবা সিট অনী অদুদা লেপখিবা মহাক্কী পার্টিগী মীরেপ অনী মায়থিখ্রে।

লাহোরদা মহাক্কী সিট অদু পকিষ্টান মুসলিম লিগ নৱাজ (পি এম এল–এন) গী হান্নগী প্রাই মিনিষ্টর সহিদ খাকিন অবাসিনা মায় পাকখ্রে। অদুগা বান্নু সিতনা মুতাহিদা মজলিজস অমল পার্টিগী জাহিদ অক্রম দুরানিনা ফংখ্রে।

অমরোমদা পাকিষ্টানগী ফমদগী তানথোকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী পি এম এল–এন না প্রাইম মিনিষ্টর খানগী পি টি আই ভোটশিং ফংখিদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সিট ১১ অদুগী মনূংদগী ৪ ফংখ্রে।

# ইন্টর্নেসনেল স্পেস ষ্টেসনগী মথং কালেন ফাওবগী সপ্লাই মতিক চানা লৈরিঃ রসিয়া



***মোস্কো, ওক্টোবর ১৫***

ইন্টর্নেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস) কী মথং কলেন থা ফাওবগী চীনঞ্জাক, ঈশিং অমসুং লাইফ–সপ্পোর্টিং মেটরিয়েলশিং মতিক চানা লৈরিবা হায়না আই এস এস রসিয়ান সেগমেন্টকী মীসন কন্ট্রোল হেদ ৱ্লাদিমির সোলোভয়োবনা ঙারাং ফোঙদোঙদোকখ্রে। মোস্কো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদা কোসমোনোট অমসু ওইরিবা সোলোভয়োবনা ঙাংখিবা ৱারোল অমদা ৱাফম অসি পোঙদোকখিবনি। রসিয়ান কোসমোনোট অমা অমসুং য়ু এস এসট্রোনোট অমা পুদুনা চৎখিবা রসিয়ান সোয়ুজ এম এস–১০ স্পেট ক্রাফকী কেপসুল অদু মদুবু পুখিবা রোকেট অদু থাগৎখিবা মতূং থুনমক বেরা তৌরকপদগী শগোলসেন নুমিৎ তা কজখষ্টানদা ইমরজেনসি লেন্দিং তৌখিবনি। মদুগী মতুংদগী রসিয়ানা মী য়াওবা স্পেস মিসনশিং লেপখি। অমসুং থোকখিবা খুদোঙ থিবা থৌদোক অদুগী মরম থিগৎলি।

রসিয়াগী সোয়ুজ স্পেসক্রাফ অসিনা ইন্টনেসনেল স্পেসষ্টেসন গা প্রিথিবীগা মরক্তা চৎনবগী অমত্ত ঙাইরবা ভেহিকলনি।


**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Imphal West Konthoujam**

*Ref. :- Mutation Cass No. 829/SDC/IW(k)/ of 2018*

1. Nandeibam Deban Singh S/O (L) Mani Singh of Thangtek.
2. Nandeibam Sorajini Devi W/O Tiken Singh of Thangtek.
3. Nandeibam Maipakpi Devi W/O (L) Ibomcha Singh of Thangtek.
4. Nandeibam Mabi Singh S/O (L) Mani Singh of Thangtek.

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late (1) Nandeibam Mani Singh S/O (L) Thabal Singh of Thangtek.
Late (2) Nandeibam Thomcha Singh S/O (L) Thabal Singh of Thangtek.

***- O.P.***

**NOTICE**

*The 11/10/2018*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 সিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (1) N. Mani Singh,(2) N. Thomcha,পীং মৃঃ N. Thabal Singh, সাং Thangtek মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খূল নং 90-Thangtek গী অনৌবা পাট্টা নম্বর ১৯৫, দাগ নং 392, 422, 426, 429 অমসুং এরিয়ানা .515+.59+.57+.38 acre ইঙ্খোল–লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরকখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নীগী মনূংদা ইঙ্খোল, লৌফমঅসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতূংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Konthoujam

***SL/4102B/14/10/18***


## GAS TODAY

**Misao Gas Service**
Booking : 06/08/18
Valid : 07/07/18
Stk : 306
19 Kg 50
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maha Lakshmi**
Booking : 26/07/18
Valid : 08/07/18
Stk : 306
Sl. No. : Upto 225790
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal gas**
Booking : 28/07/18
Valid : 27/07/18
Stk : 576
Aadhar Link
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**G.B.D. Gas (Lam)**
Booking : 10/07/18
Valid : 03/07/18
Stock : 306 CTC
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Lamsang gas**
Booking : 25/07/18
Valid : 23/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K. K.**
Booking : 22/08/18
Valid : 18/08/18
Stk : 612
Sl. No. : 100
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**L. P. G.**
Booking : 21/08/18
Valid : 05/08/18
Sl. No. : 21841

**সনা–সুদোকু –১৩০৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 4 |
| 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 3 | 8 | 5 | 1 |
| 6 | 8 | 4 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 7 | 3 |
| 1 | 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 | 5 |
| 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 5 | 3 | 9 | 8 |
| 3 | 1 | 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 8 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1308**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | | 6 | 4 | 7 | |
| 2 | 1 | | | | 5 | | | |
| 6 | | | | | | | | 5 |
| | | 7 | 3 | | | 9 | | |
| 4 | | 5 | 6 | 8 | 1 | | 2 | 3 |
| | | | | 9 | | | | |
| | 3 | | | | | | | 1 |
| | | 6 | 9 | 7 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |